থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# লৈ ... পুন্সি ... নুংশিবা অমদি ... নুংঙাইবা



ঐখোয়না ইনখৎলকপা মতমদা, তোয়না তারম্বা, ঈশৈ শক্লিংলিবনি হায়দুনা, শৈশকপা অমসু ওইবা য়ারোইদবা ঐহাক্না তোয়না শক্লম্বা ঈশৈ অমা, ঙসি খংনীং নীংশিংলকই। তাখিদবা কুইরবনা, কনানা শকখিবনো, কনাগী ঈশৈ ময়েক্লো হায়বদুদি কাউখরে। অহৌবা পরেং মতেক্তুদি নীংশিংলি... লৈরাংনা শাৎলি কনাগীদমক/খোইমু মাগী নত্তরা'...। ঐগী লোনগী মরুপশিং, ইথক থোংবা ই'য়াম্বশিং নীংশিংনবা য়াওরমখিনি। ওইনীংবদু ওইরসনু, মদু ঐঙোন্দা থোইদোক্ত্রে। কদোমদগী ফৈজিল্লকপা লমফৈ-ৱাখলনো খঙদে - লৈরাংনা লৈশাৎ তন্লিবসি করিগীনো ... কোকসিদা চক-চক থিল্লকই। ওইরম্বা য়াই ... অয়ূক ৱাকিং চৎপদা খঙনবা মরুপ অমদা, লাইদা কৎনবা লৈনি হায়দুনা লৈ খুজোক অমা লৈরকপদু উবদা ফাগি ওইনা হায়রুবা ৱাহৈ পরেং অদুনা ... 'মাগী খূৎশেমনি হায়রিবা লৈদুবু মঙোন্দা অমুক কৎশিনবদা লাইনা হরাওগদ্রনে... মানা পীবা নত্তবা ঐখোয়গী ইগো/নাপল অদু মঙোন্দা পীথোক্লবদি, মানা কয়া হরাওগবা'...! মরুপ্তু শাউদি শাউরকখিদে। 'চুম্মীনহে' হায়বা অতেনবা পাউখুম অমদি পীরমখি।

করি ইপাউ তমসিগে? খল্লকপদা নীংশিংলকখিবনি - থৌদোকসিসু, ঈশৈসিসু। লৈগী ৱারী নীংশিংলুবদা নীংশিংলকই ক্লাস সেভেন'দা তম্লকখিবা 'পুস্প কী অভিলাষা' (লৈগী অপাম্বা) কৌবা 'মখনলাল চত্তুর্বেদি'না ইবা শৈরেং অমসু। অথৌবশিংগী ঙকশমদসু থোন্নীংবা, নুংশি-ৱায়থুংনবগী শাক্তি ওইবা পরেংদুসু ওইনীংদবা, অচৌবা নিংথৌরেল কয়াগী অশিবা হকচাংদসু লৈতেংহন্নীংদবা, তৌবা ঙম্বা/মতিক লৈবা লাইরেম্বা/লাইরেম্বীগী খুয়াখাদসু লৈনীংদবা ... মরৈবাক্কীদমক মথ্বায় কৎখ্রবা থৌনা ফবশিংদুগী থৱায়-য়াওদ্রবা হকচাং পুদুনা চৎলিবা লম্বীদুদা, লৈনাশিংদু মচেৎ-মচেৎ চোইজাইনহন্দুনা লংথোকপীয়ু হায়দুনা লৈ-লাংবা-মীশক্তুদা হায়হল্লম্বদো লৈবু মরোল থোকহন্দুনা। অদুগুম্বা ৱারীশিংদু মীয়ামদা নৌনা লীদুনা পাবীরিবা ময়াম্নু নীংশিং লমদম অদুদা পুগে খন' ইরুবসু নৎচদে।

কনাগীসু মীৎয়েং চঙদনা লমহাংদা নায়তোম শাৎলিবী লৈশক হেনবী লৈরাং অমা উরুবদা খল্লকখিবা ৱাখল অমনি মীয়ামদা সেয়র তৌজনীংলুবা। নুংশিবা লৈনম, ফজবা মশক অদুবু কল্লকচবা, য়েংজনীংবা কনাগী নত্তে মানা লৈশাৎ তন্লিবা। য়েংবীনবা কনা লৈত্রে, শৈথাবীনবসু লাক্তরে হায়দুনা, লৈশক-লৈনম হোংলক্লোই, শাৎফম থোকপা শাৎলমগনি লৈকা ফন্না মদোম্না। লৈখোক লোইরগা লৈনা চোইনা কেনখিনি। থম্মোয় হুবী, শকহেনবী, মপা লৈতে খনজবীদুদি চেন্দবনি নায়তোম শাৎপী লৈরাংদুগী লীচৎ, নাপন'না ৱাংথোইনবনি। অদুনা হায়, মতমসিগী শৈরেংবনা - উবীদ্রবা ফজবা, ফজরুবগী করি কান্নে? নীংথিনা শেম শারবা লৈকোন্দবু ওইগেরা, গমলাদবু ওইগেরা, তিংখং-তুম্বৌলক্তবু ওইগেরা ... হৌরম্বা মফম অদুদা শাৎফম থোকপা শাৎলমনি, নুংশিবা লৈনম য়েল্লমনি। লৈশাৎ তম্বা, লৈনম য়েনবা হায়বদো লৈরাং ওইনা পোক্লুবগী পান্দমনি। মী ওইনা পোক্লরে, তাইবঙসিদা ঐখোয়সু, পান্দম অমা লৈরবনি । পান্দম অদু খঙদোকসি, ইথৌদুতং পাঙলমসি। মীনা খঙবা/খঙদবা, থাগৎপীবা/থাদবীবা করিমত্তা খনগুমসি। ঐগী ইথৌ পাঙলিবা, লৈমিন্নরিবা থৱায় পানবশিংদুগীদমকনি। অতোপ্পগীদমক থাওমৈ অমা থানগৎপীরম্বা, থাওমৈদুগী মঙালনা ঐগী লম্বীদুসু ঙালহল্লি হায়বা কাউগুমসি। পুন্সিগী মমল হায়বসি পৈশিল্লুবা ইরন-ইথুম, সনা-লুপা, মীনা ইশক খঙবীবা নৎত্রগা খঙবীদবা, তমশিল্লুবা ইহৈ ইশিন'না লেপকদবা নত্তে... পুকশেং শেংবা, নোল্লুকপা, ইশানা ইশাবু মীনমদবা হায়বসিনা লেপ্পনি, কাউগুমসি। খ্বাইদই লাইবক থীবদি - 'পুন্সি লম্বী' হায়বসিদা চৎনরিবা লম্বী-চৎপশিং অসি, ঐ'দই চিংনা, অরোইবা পন্থুং অদু ঙাইব'না পুন্সি-পান্দম' ওইনা লৌনবা অসিনি। লমকোয়-মী (টুরিষ্ট) অমগুম, নুংঙাইবা খোঙচৎ অমা ওইহন্নবা, পূক্লিং-ৱাখলগী তেন্সন য়াওদনা, নোক্লা-খেনা, লম্বী-খোঙবু ওইমিন্নরিবশিং অসিগা নুংশিননা, নীংশিংনীংঙাই ওইবা মীকূপ'ঙাক্তনা থলহনগে - খন্নদ্রিবা করিগীনো! নুংঙাইনা লেনবা পুন্সি হায়বদুদি খোঙলোয় ওইনা চৎমিন্নরিবশিং অদুগা নুংশিবগী অচেৎপা মরী থম্নরবতদা ওইথোক্কদবনি। পূক্লিং শান্তি লৈনবা, নুংশিননা লৈনবা অমত্তা ঙায়রবা পাম্বেনি - ঙাকপীহৈবা থম্মোয় অমা শাগোন্নবা। অচৌবা মী অমনা হায়রম্বনি, কনানো হায়বদুদি নীংশিংদ্রে ... 'লোয়নরুবা, তিন্নরুবা, খঙনরুবা পুম্নমকপু ঙাকপীয়ু, নঙোন্দা অরান-লীচৎ চৎলকখিবশিংসু য়াওনা ... মখোয়না লংশিনখিবা মরালদু ঙাকপীবা য়ারে, নৎত্রগা, নহাক্কী পুকচেল চাউবা নতৌ অদু উৎথোক্লুবা নত্তে, নহাক্কী পূক্লিং ঈংনা-চিক্লা-শান্তি ওইনা হিংবা ঙম্নবগীদমকনি'...। নুংঙাইবা পুন্সি অমা শাগোন্নবা হায়বসি ঐগা লৈমিন্নরিবা, য়ূমলোন-কৈরোন্নবা, লৈবাকসিনা ঈংনা-চিক্লা পাল্ল'কান্দা ওইথোক্কদবা নত্তে, ঐহাক ইশাদা (নুংদা) করি ওইরিবগে হায়বগী মখা পোনবনি। ৱাখল অসি পুম্নমক্লা, মান্ননা খনবা ঙম্লবদুত'দা ওইগদবনি - মরা তপ্পা খুন্নাই অমা। মরা তপ্পা, শান্তি লৈবা খুন্নাই অমা শেম্নবা খ্বাইদই লায়বা, অরোনবা ৱা, লাইৱা অমা নীংশিংগে...'হিংনবইদমক চারিবা চিঙ্গাক মহাল খঙহন্নবা পাল্লিবা লৈ (তঙ), চিঙ্গাক্তুবু শায়নবা পাল্লম্লিবা য়াথক-য়াখা অনীসিদা মথৌ তৌবদা মশীং খঙদনা চিকথৎখ্র'সু 'লৈ অমদি য়া' অনীসি মতম চূপ্পদা লাপথোক্লদনা লৈমিন্নে ... ঙাকপীবা অমদি অচেৎপা মরী হায়বসি করিনো তাক্লিবা মীওইবা খুদিংদা য়াওরিবা হকচাং কয়াৎ অনীসিগী মরী, মীওইবদা ৱাখল তাহনবা'...। লাল্লবরা?

'তগৎ-তগৎ তেকপা লৈরাং অমদা লোৎলিবা অঙকপা মতৌ অদু মীওইবনা খঙবা ঙম্লম্লবা, মালেম অসি নিংথিজবা তাইবঙ অমা শোয়দনমক্কী ওইরমনি' হায়বা গৌতম বুদ্ধগী ৱাহৈশিংদু কয়াদা ৱাহন্তোক ফজরম্লবা! অদোম করিগুম্বদা খন্থখ্রবরা?

লৌশিং পুক্কে

# চহী অহুমগী অঙাংদা ওটিজমগী সিম্পটোমশিং

ওটিজম নৎত্রগা ওটিজম স্পেক্ট্রম দিসওর্দর (এ এস দি) হায়বসি য়াম্না তোয়না থেংনগনবা ন্যুরোদিভলপমেন্টেল দিসওর্দরশিংগী মনুংদা অমনি। ওটিজম নাবা মীওইশিং মীয়ামগা তোৎনা তিন্নবা, পাউ ফাওনবা অমদি ৱাখল খনবগী মওংদা খুদোংচাদবা মায়োক্নৈ। মখোয় অসি ৱাখল অমা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না খন্দুনা লৈবা নৎত্রগা থবক অমা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না তৌরগা লৈবগী মওংসু উবা ফংই।



অঙাং ৫৯ খুদিংগী ১ দি ওটিজম স্পেক্ট্রম দিসওর্দর (এ এস দি) না নাই হায়রি। অসিগুম্বা অঙাং অসিদা বিহেবিয়রেল সিম্পটোমশিং য়াম্না পীক্লিঙৈদগী দিবেলপ তৌগল্লি, রিসার্চ তৌবদা অসিগুম্বা বিহেবিয়রশিং অসি অঙাং অদুনা চহী ফাদ্রিঙৈদা মমা-মপাশিংনা উবা ফংই হায়রি।

অদুবু সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)নদি ওটিষ্টিক ওইবা অঙাং অয়াম্বা মশাগী চহী ৪ শুদ্রিফাওবদি দাইগ্নোস তৌবা উদে হায়না রিপোর্ট তৌরি।

চহী অহুমগী অঙাংদা ওটিজম ওইরম্বা য়াবগী সাইন অমদি সিম্পটোমশিংগী মতাংদা নৈনমিন্নসি।

ওটিজম নাবা মীওইশিংদা অতৈ মীওইশিংগা মান্নদবা কয়া উবা ফংই। অসিগুম্বা কন্দিসনশিং অসিগী মনুংদা সিজর, দাইজেষ্টিব দিসওর্দর অমদি এঞ্জাইটি নৎত্রগা দিপ্রেসনগুম্বা সাইক্যাট্রিক ইসুশিং য়াওরি।

রিসার্চ খরগী মতুংইন্না ওটিজম নাবা অঙাংশিংগী চাদা ৭০ দি কো-ওক্করিং কন্দিসন অমমম লৈ, অদুগা চাদা ৪১ অমনা এটেন্সন দিফিসিট হাইপরএক্টিবিটি দিসওর্দর (এ দি ঐচ দি), ওপোজিসনেল দেফ্যান্ট দিসওর্দর নৎত্রগা সোসল এঞ্জাইটি য়াওনা কো-ওক্করিং অনী নৎত্রগা অনীদগী হেন্না লৈ।

ওটিজম অসি ফহনবা ঙম্নবা পাম্বে লৈতে। অদুগা ওটিষ্টিক ওইবা মীওই কয়াদি এ এস দি অসি মখোয় মশাগী আইদেন্টিটিগী শরুক অমা ওইনা লৌই। সিম্পটোমশিং মেনেজ তৌবা অমদি নুংঙাইবা অমসুং হকচাং ফবা পুন্সি অমা ওইনা লেন্নবগীদমক দোক্টর অমসুং থেরাপিষ্টকী মতেং লৌবা য়াই।

**চহী অহুমগী অঙাং অমদা লৈগদবা সাইন অমদি সিম্পটোমশিং**

চহী অহুমগী অঙাং অমদা থেংনবা য়াবা সাইনশিং মখাদা পীরি:

সোসল দিটেচমেন্ট: ওটিজম নাবা অঙাংশিং মমান্নবশিংগা শান্নগন্দে। অয়াম্বা মতমদা মথন্তা শান্নগল্লি, মীরক তিন্নিংবগী অপাম্বা লৈগন্দে, মমান্নবশিংগা শান্নপোৎ পূনবা য়াগন্দে, টর্ন-টেকিং প্লে খঙবা ঙমগন্দে, মমিং কৌবদা রেস্পোন্স তৌগন্দে।

ইমোসনেল এক্সপ্রেসনদা তোঙানবা: ওটিজম নাবা মীওইশিং ইমোসন মখল খুদিংমক ফাওই, অদুবু অতোপ্পা মীওইশিংদা উৎথোরকপদদি মান্নদবা মওংদা উৎথোক্লি।

ওটিজম নাবা চহী অহুমগী অঙাং অমনা মশাদা ফাওবা ইথিলশিং ফোঙদোকপা অমদি মদুগী মরমদা হায়দোকপদা ৱানা থোকপা য়াই, অতোপ্পশিংদা ফাওবা ৱাখল খঙগন্দে, ৱাখল নুংঙাইনা অমদি লৈতানা লৈনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইগল্লি, মঙোন্দা ফাওবা ৱাখলগা মায়থোঙদা উখোরকপগা খেন্নগল্লি, অতোপ্পা মীওইশিংগা ফিজিকেল কন্তেক্ত তৌগন্দে, লেংগোন্নবদা হৈনদবগী থেকতোক-থেকচিন তৌগল্লি, মহাক্কী কাদগী মমা নৎত্রগা মপানা থোকখিবদা ইমোসন অমত্তা উৎকন্দে।

পাউ ফাওনবদা অৱাবা ওইবা: ওটিজম নাবা মীওইশিং অতোপ্পশিংগা পাউ ফাওনবদা অৱাবা ওই। লায়না অসি নাবা চহী অহুমগী অঙাং অমদা থেংনবা য়াবশিংদি- ৱা ঙাঙবা অমদি লোল খঙবা ৱাবা, ৱা ঙাঙবদা শদিংদা ঙাঙবা, ৱা শুকঙাঙ ঙাঙদবা, মীৎচান্নদবা, এক্সপ্রেসন অমত্তা উত্তনা লৈবা, ৱাহংগা চান্ননা পাউখুম পীদবা, মীনা ঙাঙবা ৱাগী মতুং ইল্লগা ঙাঙবা, ৱাহৈ নৎত্রগা ফ্রেজ নৎত্রগা খোঞ্জেল অমা হঞ্জিন হঞ্জিন্না শীজিন্নবা (মসিবু দোক্টরনা ইকোলালিয়া কৌই), প্রনাউন লান্না শীজিন্নবা (খুদম ওইনা 'নঙ'গী মহুত্তা 'ঐ' ওইনা শীজিন্নবা), ইঙ্গিৎ শীজিন্নদবা (খুদম ওইনা খূৎ থিনবা, খূৎ হাইবা), মীনা খূৎ থীল্লকপদা রেস্পোন্দ তৌদবা, চহীগা চান্নবা ফাগী খঙবা ঙমদবা অসিনচিংবশিংনি।

বিহেবিয়র: ওটিজম নাবা অঙাংশিং ময়ামগা মান্নদবা নৎত্রগা রিপিটেটিব বিহেবিয়রশিং উৎকল্লি। মখোয়দা মশাগী খূৎ হঞ্জিন হঞ্জিন্না হাইরগা শন্নবা, উংবী শান্নবা, অকক্লবা শান্নপোৎ নৎত্রগা থবক থৌওং অমদা য়াম্না ঙাওজবা নৎত্রগা শুক্ষৎপা উৎপা, ওবসেসিব বিহেবিয়রর লৈবা, শান্নপোৎশিং ওর্দর নাইবা মওংদা পরেং শানা থম্বা, অকক্লনবা সিচুএসন খরদা হাইপরএক্টিব ওইবা, এটেন্সন স্পান তেনবা, মখোয়গী রুটিন নৎত্রগা রিচুএলশিংদা কনাগুম্বশিংনা য়েৎলকপদা অশাউবা, য়ানিংদবা উৎপা অসিনচিংবশিং উবা ফংবা য়াই।

ওটিজম নাবা অঙাং খুদিংমক্তা সাইনশিং অসি লোইনমক উৎকনি হায়বদি লৈতে। মরম অসিনা প্রোফেসনেল দাইগ্নোসিস তৌবা মথৌ তাই।

ওটিজম অসি নুপীদগী নুপাদনা হেন্না তৌগল্লি।

দাইগ্নোসিস: মমা-মপাশিংনা মখোয়গী মচা অদু ওটিজম নারম্বা য়াই হায়না চিংনবা লৈরগদি দোক্টরগা তান্নগদবনি। দোক্টর য়েংলবা মতুংদা মথৌ তারবদি স্পিসিএলিষ্ট (খুদম ওইনা দিভেলপমেন্টেল পিদিয়াট্রিসিয়ন নৎত্রগা চাইল্ড সাইকোলোজিষ্ট) অমদা রিফর তৌগনি।

ওটিজম অসি হেক ঙন্না লায়েংবা হৌরিবমখৈ কান্নবা ফংবা হেল্লি। নারিবা অঙাংগী অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংগীদমক তোঙান তোঙানবা লায়েং মখল কয়ামরুম লৈ।

# ওজাশিংনা চীং অমসুং তমদা লৈবা জেদ ঈ ও ওফিসশিংগী মমাঙদা ৱাকৎ মীফম চত্থরি : কোটা

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫(ঐচ এন এস): কার্ড হীল ওফ টিচরস এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা টাউন ৱার্দ স্কেলদা লৈঙাক্লা ওর্দর থোরকপদগী পেন্নদ্রবা অমেষ্টা, অমষ্টা, এ এম জি ঐচ এস এল দব্লিয়ু এগী ওজাশিংনা হৌজিক লেপ্তুনা ৱাকৎ মীফম চীং অমসুং তমদা লৈবা জেদ ঈ ও ওফিস মমাঙদা চত্থরি হায়না কোটাগী কো-কনভিনর সী ঐচ শান্তকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোটাগী অপূনবা মীফম্না ইবোয়াইমা শঙলেনদা পাঙথোকখিবা ৱারেপকী মখা চত্থরকপা ওইনা ৱাকৎ মীফম ১৫রকশুবা ওইনা থা অসিগী ২০ দা জেদ ঈ ও ৱাঙ্গোইদা পাঙথোকখ্রে। লৈঙাক অসিদা অশোয়বা শেমদোকপীয়ু হায়না কয়ারক হায়জরবসু তারক্তবদগী পামদ-পামদনা খোঙজং অসি চত্থরক্লবা লৈঙাক্লা ইনভাইট তৌদুনা চত্থিবনি। মমাঙদা পানখিবা লৈঙাক্কী মতমদা ওজা ৪০০ হেন্না জেলদা থমখি। কোটাগী কনভিনরশিংগা এম ও য়ু ইনবদগী কেবিনেট দিসিজন লৌখি। চহী ১০ গী মতুংদা পোৎচৈগী মমল তাঙখৎলকপগী মতুংইন্না লৈঙাক্লা কন্মিসন শেমদুনা লেপ্পা তোলোপ অদু ইমপ্লোয়ীশিংদা পীবনি। লাইবক থীবদি হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক্লা মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক অদুদগী তাথরগা পীরিবা ৬শুবা আর ও পিদগী ৭শুবা পে কন্মিসনদা পীরিবসি প্রাইমারী টিচরগী এন্ট্রি স্কেল লুপা ৪১০০ অমসুং গ্রেদ পেদা লুপা ৬০০ নি। চাউরাক্লা ৬শুবা পে কন্মিসনদগী তরেৎশুবা পে কন্মিসন ফাওবদা পাল্লিবা লৈঙাকসিনা অপূনবা তোলোপতা প্রাইমারী টিচরদা থাদা লুপা লিশিং ৮, গ্রেজ্যুএট টিচরগীনা লুপা লিশিং ১১ অদুগা লেকচররগীনা লুপা লিশিং ৮গী চাংচৎতা তাথরগা পীরে।

পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা স্কুল ফগাৎহনসি হায়রগা ফগাৎহনগদৌরিবা ওজাশিংদা আর ও পি হেনগৎপগী মহুৎতা তাথরগা পীরকপদগী পেন্সন চৎলবা মতমদা হেন্না লৌখ্রে হায়দুনা অহল ওইরবা মতমদা পেন্সনগী শেনফম হনগদৌরি। কোটানা লৈঙাক্তগী অহেনবা পে স্কেল তানবা লৈতে। তরেৎশুবা পে কন্মিসন্না লেপ্পা তোলোপ অদু তরুকশুবা পে কন্মিসনদা লেপখিবা রিভাইস ওফ পে অদুদগী তাদনা পীবীয়ু হায়বনি। ওজাশিংনা রেন্সম তানবা লৈতে। লৈঙাক্লা হায়দোকখিবা ৱাফম ঙাক্তুনা ওজাশিংগী অরানবা পে অদু শেমদোকপীয়ু। ওজাশিংগী মপী-মপা অমা ওইনা মথৌদা থৌনা ফনা পাঙথোকপদা থৌনা হাপ্পীয়ু। ওজাশিংগী মরম চাবা দিমান্দ পীবীয়ু হায়জবনি। কোটাদা লৈঙাক্লা অতৈ দিপার্টমেন্টশিংগীদি পে রেক্টিফিকেসন তৌখ্রগা ওজাশিংগীনা তৌবীদবগী মরম লৈঙাক্লা শেংদোকফম থোকই। লৈঙাক্কী শেল-থুম ফৎতবদগী ওজাশিংবু চহী ৪ হেনবগী এরিয়ার কথোকহল্লম্বা লৈখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# অরাম্বম ইবুংঙোহল এন্দ বিনোদকুমারী লিটরেরি এৱার্দ ২০১৯ এম কে সরোজ খানদা খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫(ঐচ এন এস): পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা অরাম্বম ইবুংঙোহল এন্দ এম কে বিনোদকুমারী লিটরেরি এৱার্দ ২০১৯ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমগী প্রসিদেন্ট য়াইস্কুল খ্বাইরাকপমনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ প্রহ্লাদনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা ফোঙদোক্লখিবদা, পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমগী থবক থৌরমশিংগী মনুংদা অরাম্বম ইবুংঙোহল অমদি এম কে বিনোদকুমারী অনীগী মিংদা এৱার্দ পীবা অসি য়াম্না নুংঙাইবা অমনি। মণিপুরগী ওইনা সাহিত্যগী লমদা মশক নাইবা কয়া অমা লৈরি। শীংথানিংঙাই ওইনা থবক তৌরম্বা মীওইশিংগী ঐখোয়না ঈকায় খুম্নবা তঙাইফদে। খুন্নাই অসিনা নীংশিংবসি খরা ৱাৎপগুম তৌই। তোঙান তোঙানবা মীরমদা লৈখিবা য়েলহৌমী অমদি লমদমসিগী মীওইশিংনা মালেমগী থাক্তা থবক কয়া তৌরকপা থাগৎনিংঙাই ওই। অরাম্বম সরোজ নলিনিসু পনবা য়াই। রোয়ল ক্রোনিকল ওইরিবা চৈথারোল কুম্বাবা অসি ইংলিসতা হন্দোক্তুনা ইন্টরনেসনল লেভেলদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্লা তৌরম্বা থৌদাংশিং নীংশিংবা তাই। মণিপুর মীয়াম্না খঙবীবা য়াম্না মরুওই। সাহিত্যগী লূপশিংনা তৌরিবা থবকশিং অসি পূক্লিং থৌগৎপা তাই। মণিপুরী লোল চাউখৎহন্নবা হোৎনবদসু থৌদাং কয়া লৌবা চঙই। লোল অসি ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী ষ্টেটসতা লাক্লবা খন্নরকপা মতমদা পূক্লিং চঙনা হোৎনমিন্নবা তাই। ঐখোয়না ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্লবা মমল য়াম্নবা কয়া অসি তুং কোয়না য়োকখৎনবা হোৎনসি। ইবগী লমদা লৈরিবা মীওইশিংবু ঈকায় খুম্নবা তাই। খুন্নাইগীদমক অইবশিংনা লৌরিবা থৌদাং কয়া অসি খঙমিন্নবা চঙই। অফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবগীদমক ঐখোয় খূদিংমক্লা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। তুংগী মীরোলগীদমক ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না থৌদাং লৌদুনা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

থৌরম অদুদা হিংনা শিরবা পুন্সি হায়বা শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবা এম কে সরোজ খানদা অরাংম্বম ইবুংঙোহল অমদি বিনোদকুমারী লিটরেরি এৱার্দ ২০১৯ খুৎশিন্নখি। এৱার্দ অসিদা শেল, সাইটেসন অমদি লেংয়ান ফি য়াওরি।

থৌরম অদুদা লমদমসিগী শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। অইবা-অইবী কয়াসু শরুক য়াবগা লোয়ননা অইবশিংনা লৌরিবা থৌদাং কয়াবু শীংথানখি। অইবা সরোজ খানবুসু ঈকায় খুম্নবা উৎখি হায়রি।

# নুমীৎ হুম্নী চত্থগদবা ট্রান্সলেসন ওফ চিলড্রেন বুক্কী ৱার্কশোপ জে এন দান্স একাদেমীগী হোলদা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫(ঐচ এন এস): নেসনল বুক ট্রষ্ট ইন্দিয়া অমদি রাইটর ফোরম ইম্ফালনা শীন্দুনা নুমীৎ হুম্নী চত্থগদবা ট্রান্সলেসন ওফ চিলড্রেন বুক হৌদোকপগী থৌরম ঙসি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অরিবম কুমারনা চীফ গেষ্ট, নেসনল বুক ট্রষ্টকী দিরেক্টর যুবরাজ মালিকনা প্রসিদেন্ট ওইখি। রাইটর্স ফোরম ইম্ফালগী কোওর্দিনেটর য়ুম্লেম্বম ইবোমচানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

য়ুম্লেম্বম ইবোমচানা থৌরম অদুগী ৱাহৌদোক পীরদুনা হায়খি, ৱার্কশোপ অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা রাইটর্স ফোরম ইম্ফালনা নেসনল বুক ট্রষ্টকা তান্নদুনা হোৎনমিন্নবনি। অঙাংশিংগী লাইরিকশিং ট্রান্সলেসন তৌবগী প্রোজেক্ট লৈ হায়রকপদগী হান্নগী প্রসিদেন্ট লমাবম বিরমনিনা থাবীরম্বদগী য়ারক্তুনা ৱার্কশোপ অসি হৌদোকপনি। ট্রান্সলেসন তৌগদৌরিবা অসি লাইরিক ২০ নি। অঙাংশিংনা পানবগীদমক ইনি দয়াগী ফোঙদুনা লৈরিবা অমদি লমদম অসিদা লৈরিবা ইংলিস লোলগী লাইরিক কয়া হন্দোক্কনি। লাইরিকশিং অসি স্কুলদা তম্নবদি নত্তে। অদুবু অঙাংশিংনা লাইরিকশিং অসি পারগা মখোয়গী ৱাখল লৌশিং হেনগৎনবা অমদি খঙবা হেনগৎনবা হোৎনবদা মতেং পাংগনি। ট্রান্সলেসন তৌরগা ফোঙগদৌরিবা অসি এন বি টিনা ফোঙগদবনি। ইংলিস লোলদগী মণিপুরী লোলদা ইথোকপা অমদি বেঙ্গোলি লোল অমসুং মীতৈ ময়েক্তা ইথোক্কদবনি। মণিপুরী লোলদা ট্রান্সলেট তৌগনি। খনগৎলবা লাইরিক ২০ ট্রান্সলেট তৌগদৌরি। দি টি পিদা নল্লবা মতুংদা এন বি টিদা থাখিগনি। মখোয়না লাইরিক ওইনা নল্লবা মতুংদা য়োন্নবা থারক্কনি। মণিপুর খক্তা নত্তনা ইন্দিয়া পুম্বদা ফংহনগদবনি। অঙাংগী ওইবা লিটরেচরগী লাইরিক অসি মশিং য়াম্না লৈত্রি। অঙাংগী লিটরেচর লাইরিকশিং পুথোকপা তঙাইফদে। হৌজিক লৈরিবা লাইরিকশিং অসি নীংথিনা ট্রান্সলেট তৌদুনা ফোঙনবগী খুদোংচাবা লাক্কনি। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদদি অঙাংশিংনা পানবা লিটরেচরগী লাইরিক অসি তাঙনা থোক্লি। মসিদা খরদং ওইরবসু মেনখৎনবা অমদি অঙাংশিংনা মপানগী লৈরিবশিং অসি খঙহন্নবগীদমক অসিগুম্বা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা অরিবম কুমারনা হায়খি, মণিপুরদা অঙাংগী খোরিরোল হায়বসি য়াম্না তাঙই। লাইরিকশিং অসি ট্রান্সলেট তৌদুনা পুথোকপা অসি য়াম্না কান্নগনি। অঙাংশিংগী লিটরেচর চাউখৎনবা হোৎনবা য়াম্না তঙাইফদে। হীরম অসিগী মতাংদা ৱার্কশোপ পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনরিবা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। অঙাংশিংগীদমক লিটরেচরগী লাইরিকশিং পুথোক্লবা হোৎনবদা ঐখোয় খূদিংমক্লা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নদুনা মায় পাক্লা থবক পায়খৎপা চঙই। লাইরিক ২০ খনগৎতুনা ট্রান্সলেট তৌরগা পুথোক্কদৌরিবা অসিনা লমদম অসিগী অঙাংশিংদা পাবদা খুদোংচারগনি। লিটরেচরগী লাইরিকশিং অসি নীংথিনা পাবগী খুদোংচাবা ফংহন্দুনা অঙাংশিংদা ৱাখল লৌশিং পীবা তঙাইফদে। হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিং শেম্বা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।




# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৬।০২।২০২০ ইং, য়ুমশকৈশা, লমতাগী ৩ পানবা।

**মেষ :** মরুপ্না লৌথোকনিংবা অমদি লল্লোন ইতিক্তা মাঙজবা য়াবা নুমিৎনি। নঙগী ওইবা মীশিংনদি থাগৎলি, হকচাং খিংগনি, থৌনা ফুদোকপনা লন হেন্না ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃষ :** পূক্লিং ইংবা, ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবা অমদি অরং-অরাক্কী লম্‌দা নীংবা থুংগনি। অহৈ-অশিং শাবনা লৈফম খঙদবা অমদি অপং তাবা লৈগনি। পংথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মিথুন :** মায় পাক্কদবা লৈবনা থবক্তা চিংনবা লৈতনা শেল থাদবা য়াগনি অমদি মীয়ামগী মতেংসু ফংগনি। মরৌ লৈবা মীতোপ্পা তাথীবদি লৈ হায়বা কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি-ফীভম শেমদনা থৌয়াম পুগনু। পাইরক্কী লৌশিং ৱাৎলি-নাইতোম ৱারেপ লৌরদি মীপাইবা নংগনি। মরুপ লোয়নৌ কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** অয়েৎপা লৈরম্বা কোকচরগনি অমদি ইমুং-মনুংগী ৱা তাবনা নত্রগা পুন্না থৌ পাংবদা কনানসু থিংবা ঙমলোই। ফংবা য়াবা শেল-থুম পনবদি লৈখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপাদি চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কন্যা :** নীংজবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক কান্নগনি, পন্দুনা লৈখিবা শেল-থুম ফংজবা য়াবা নুমিৎনি। অদুবু অফবা খনবা ঙমদবা অমদি হুরানবনা তাথীবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** মীচং হেনগৎলনি, পন্দুনা লৈরম্বা থবক পাংবা ঙম্লগনি অমদি ৱাখল খজিক খন্থরদি থৌ অয়াম্বা মায় পাক্লা পাংবা ঙমগনি। ঈংথবনা মাঙগদবদগী কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** লাইবক ফবা ৱাৎপা নুমিৎনি অদুনা নাইতোম অনৌবা থৌ অমত্তা পাংদবা ফৈ। অশাওবা অমদি নাপলদি ঙসিসু থাদোকউ নত্রবদি মাঙবতা থুংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** শেল অমদি অরং অরাক ফংবগুম হরাওবা অমদি মীংচৎ ফংবা নুমিৎনি। তুংগী থৌরাংসু য়াৎথোকপা হৈবা নুমিৎনি নরলদা য়েক্লবনা মীতাবদি লৈখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাঙথোকপদা রাশি য়াওগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** লল্লোন ইতিক্তা চাউনা মায় পাক্কনি, ৱাখল থোক্কনি অমদি থাজদবা ওইজবা ফংগনি। অরুবা থবক মীয়ামগী মতেংনা পাংবা ঙমগনি। নক্লবনদি তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

**কুম্বা :** নথক থোংবগী অমদি মরুপ-মপাংগী মতেংনা নচাক-নরল চাওখৎহনবা ঙমগনি। হেন্না অশা চাউবদি তৌগনু-লন ময়েং তাগনি, নোল্লুকপনা য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিন :** লাইবক থোইনা ফগনি, অরুবা থবক পাংবগী নুংঙাইবা লৈগনি অমদি অফবা মীংচৎ শোইদনা ফংগদবা নুমিৎনি । অফবা মরুপ ফংগনি, ঙাঙ-শকপা হৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং পেঞ্জগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।